# ষ্টেটশিংনা স্কুলদা মমালোনবু শোয়দনা তমগদবা সবজেক্ট ওইহনগদবনি ঃ ভাইস-প্রসিদেন্ট



***ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৫ ঃ***
ইন্দিয়াগী ভাইস-প্রসিদেন্টনা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট পূম্নমক্তা মখোয়গী মমালোনশিংবু স্কুলশিংদা তম্বীগদবা কমপলসরি সবজেক্ট অমা ওদহনগদবনি হায়না আপিল তৌখ্রে।

লোন হায়বসিদা মদুবু ঙাক্লিবা কাঙবু অদুগী কলচর মোরেল ট্রেদিস্নেল নোলেজ অমসুং ভেল্যুস য়াওরিবনি হায়নসু ভাইস-প্রসিদেন্ট ভেঙ্কয়া নাইদুনা হায়খি।

প্রসিদেন্ট ভেঙ্কয়া নাইদুনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা অন্ধ্র ইদুকেসন সোসাইটিগী ফাউন্দরস দে সেলেব্রেসনশিংদা তিল্লিবা মীয়ামদা ৱা ঙাংখি অমসুং অন্ধ্র ইদুকেসন সোসাইটি স্কুলগী আর কে পুরমদা অনৌবা স্কুল বিল্ডিংসু ভর্চুয়েল ইনোগুরেসন তৌখি।

ভাইস-প্রসিদেন্টনা হায়খি, হৌজিক লৈরিবা ঐখোয়সি অচৌবা কলচর অমসুং হেরিটেজগী মতীক ময়াইশিং অদু ফংহৌবশিংনি। তাইবঙপানদা হিংলিবা থৱায় পানবা পূম্নমকপু নুংশিবা অমসুং মহৌশাবু ইকায়খুম্নবা হায়বসি ইন্দিয়া খুদিংমক্কী দি এন এ নি।

লোনগী মরু ওইবা চেৎনা পল্লদুনা ভেঙ্কয়া নাইদুনা ফোঙদোকখিবদা কনাগুম্বা মীওই অমনা মহাক্লা ঙল্লিবা মখৈ লোন কয়ামরুম তম্বা য়াই অদুবু মখোয়গী মমালোন অদুদি কৈদৌঙৈদা থৌওইদবা তৌরোইদবনি। মসিনা মরম ওইদুনা সিবিলাইজেসন অমগী হেন্না পাকথোক-চাওথোকপা কলচরেল এস্পেক্ট অদু ঙাক্তুনা থম্নবা লোন ঙাক্তুনা থম্বা মথৌ তায় হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

লমদম অমগী কলচর হায়বসি মদুগী সিবিলাইজেসন, ৱিজদম, কষ্টমস, মোরেলস অমসুং সোসিয়েল নোর্মশিংগী মহুৎ শীল্লিবনি। অমনা অমগী কলচরবু মশক খঙবা অমসুং ইকায়খুম্নবা লোয়ননা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী লোনশিংবু তমশিন্দুনা ইন্দিয়াগী য়ুনিটি অমসুং ইন্টিগ্রিটি কনখৎহনগনি হায়না মহাক্লা হায়খি।

নুপীশিং মহে-মশীং তম্বীবদা লমজিংলম্বা ডাক্তর দুর্গা ভাই দেশমুখনা তৌরম্বা থবকশিংবু থাগৎলদুনা ভাইস-প্রসিদেন্টনা হায়খি, অচৌবা মীওইশিংবু নীংশিংবনা লৈবাক্কী দিভলপমেন্টকীদমক থবক তৌনবা নহা মীরোলশিংবু ঈথিল পীগনি।

ডাক্তর দেশমুখ ফ্রিদম ফাইটর, লোয়ার, সোসিয়েল ৱার্কর, এদুকেস্নিষ্ট অমসুং পোলিটিসিয়ান অমা ওইনা মীপুম খুদিংমক্কী পূক্নীং থৌনা হাপলিবা নুপী লুচিংবা অমনি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি। মহাক্কী মপোক নুমিৎ থৌরমবু অন্ধ্র ইদুকেস্নেল সোসাইটিগী ফাউন্দরস দে হায়না থৌরম পাঙথোকপসি মঙোন্দা অচৌবা ইকায়খুম্নবা অমনি হায়খি।

হোস্পিটালশিং, কলেজশিং, নর্সিং হোমশিং অমসুং নুপীশিংগী ভোকেস্নেল সেন্টরশিং অসিনচিংবা কয়া লীংখৎপদা ডাক্তর দুর্গাভাইনা অচৌবা থৌদাং লৌখি। ৱাথোকশিং অমসুং খুদোংচাদবা কয়াবু লাকশিন্নবা নুপীশিংগীদমক মহে-মশিং তম্বিবগী মরু ওইবা অদু মহাক্লা খঙখি।

মহাক কন্সটিট্যুয়েন্সি এসেম্বলিগী মেম্বর অমা, প্লান্নিং কম্মিসন মেম্বর অমা, সেন্ট্রেল সোসিয়েল ৱেলফিয়ার বোর্দকী ফাউন্দিং প্রসিদেন্ট ওইরম্মী অমসুং দিল্লি ব্লাইন্দ রিলিফ এসোসিয়েসনদা মহাক্লা তৌরম্বা থবক মতম পূম্নমক্তা নীংশিংদুনা লৈরম্লগনি হায়দুনা ভাইস-প্রসিদেন্টনা হায়খি।

থৌরম অসিদা সাউথ দিল্লিগী মেয়র নরেন্দ্র চৱালা অমসুং অতৈ শক্লাইরবা মীওইশিং শরুক য়াখি।

# য়ু পি এ গভর্ণমেন্টনা প্রোজেক্টশিং লোইশিন্দনা থম্লম্মী ঃ মোদি

***মিরজাপুর, জুলাই ১৫ ঃ***
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মমাঙগী য়ু পি এ গভর্ণমেন্টপু মখোয়গী মতম মনুংদা লৈবাকশিংগী মফম কয়াদা প্রোজেক্টশিং অমত্তা লোয়শিন্দনা হুন্দোক্তুনা থম্লম্মী হায়না মরাল শীখ্রে। উত্তর প্রদেশতা মহাক্কী নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎকী অনীশুবা নুমিৎতা ঙসি নোংমাইজিং নুমিত্তা অচৌবা বনসাগর কেনেল প্রোজেক্ট শঙ্গারম্লবগী তুংদা মিরজাপুরদা মীয়ামগী মীফম অমদা ৱা ঙাংখি।

লৌমীশিংগীদমক ঙসি গুন্তিরগুম্না তাৎকি মপী তারিবশিং অদুদা করিগীদমক মখোয়না শক্তি পায়রিবা মনুংদা লৈবাকশিংগী মফম কয়াদা ইরিগেসন প্রোজেক্টশিংবু অমত্তা লোয়শিন্দনা হুন্দোক্তুনা থম্লম্লিবা করিগীনো হায়বসি হংগদবনি হায়না মোদিনা হায়খি। প্রোজেক্টশিংবু মতম চানা লোয়শিল্লমদনা মীয়ামবু থওইদবগীদমক ওপোজিসন পার্টিশিংবু মহাক্লা মরাল শীখি।

ঙসি প্রোজেক্ট অসি (বন্সাগর) মাঙজৌননা লোয়শিল্লম্বা তারবদি চহী ২০ গী মমাঙদা মসিনা মখোয়বু কান্নহল্লগদবনি হায়নসু মোদিনা ফোঙদোকখি।

উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টকী মতাংদা পল্লদুনা য়োগি অদিত্যনাথনা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অসি লৈরকখিবা মতুংদগী ইষ্টর্ন জোন অসি হীরম খুদিংমক্তা চাওখৎহন্নবগীদমক মতিক চাবা মীৎয়েং চঙলে হায়রদুনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা বি জে পি গভর্ণমেন্টপু প্রাইম মিনিষ্টরনা থাগৎখি।

থাখাই অমা খরা হেনবগী মনুংদা প্রাইম মিনিষ্টর লাক্লিবা খোঙচৎ অসি ইষ্টর্ন য়ু পি দা মহাক্কী অনীশুবা খোঙচৎনি। খোঙচৎ অসি মিরজাপুরদা য়াম্না কল্লিবা ও বি সি ভোট বেঙ্ককী পূক্নীং চিংশিন্নবা অপ্না দল (এস) কা লৈনবা মরী হেন্না চেৎশিনহন্নবনি।

ঙরাং থাংজ নুমিত্তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা বরানাসি অমসুং অজমগরদা চৎখি। ২০১৯ পার্লিয়ামেন্টরি মীখল মমাঙদা নোংপোক থংবা য়ু পি দা বি জে পি গী খোঙফম অমা শেম্বা পাম্মী হায়না পার্টি অসিগী লীখুনশিংনা ফোঙদোক্লি। পার্টিগী অপাম্বসি ফংনবা লম্বী অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্টশিং পায়খৎপনি হায়রি।

ঙরাং অজমগরদা প্রাইম মিনিষ্টরনা নোংপোক থংবা য়ু পি গী বরাবঙ্কি, অমেথি, সুলতানপুর, ফাইজবাদ, অম্বেদকর নগর, অজামগর, মাও অমসুং ঘাজিপুরনচিংবা মরু ওইবা তঙা কয়ামরুম শম্নহনগদবা কিলোমিটর ৩৪০ শাংবা পূর্বাঞ্চল এক্সপ্রেস ৱেগী যাত্রা হুনখি।

# মথং থাদা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্থান রসিয়াদা এন্টি-টেরর ড্রিল চথগদৌরি



***ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৫ ঃ***
টেরোরিজম অমসুং এক্সট্রিমিজম থেংনবদা সাংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এস সি ও) মেম্বর লৈবাকশিংগী মরক্তা তেংবাঙনবা হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা ওর্গনাইজেসন অসিনা মথং থাদা রসিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা অচৌবা এন্টি-টেরর ড্রিল অমদা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্থাননা শরুক য়াগদৌরি।

সেন্ট্রেল রসিয়াগী নোংচুপ্তা লৈবা চেলিয়াবিস্ক সিটিদা আগষ্ট ২০ দগী ২৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এক্সর্সাইস অসিদা ইন্দিয়াদগী আর্মি অমসুং এয়ারফোর্স পার্সোনেল ২০০ রোম শরুক য়াগনি হায়না ওফিসিয়েল লীখুনশিংনা ফোঙদোরক্লি।

এন্টি-টেরর এক্সর্সাইস অসিদা রসিয়া, চিনা, কিরজিজ রিপব্লিক, কাজখষ্টান, তাজিকিস্থান অমসুং উজবেকিস্থান হায়রিবা এস সি ও মেম্বর লৈবাক পূম্নমক য়াওদ্রি।

সাংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এস সি ও) না চিনাগী কিংদাও দিটিদা মসিগী চহীগী মীফমদা মখোয়গী মিলিটরিশিংগী মনুংদা টেরোরিজম, এক্সট্রিমিজম অমসুং সেপরেটিজমনা পীরকপা অকিবশিং থেংননবা তেংবাঙনবা হেনগৎনবা ৱারেপ লৌখিবগী থা অহুগ্লোমগী মতুংদা 'পিস মিসন' কৌবা এন্টি-টেরর ড্রিল অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি।

এন্টি-টেরর ড্রিল অদু পাঙথোকপগা লোয়ননা এস সি ও লৈবাকশিংগী মিলিটরি ওফিসিয়েলশিংনসু টেরোরিষ্টকী ৱাখল্লোনশিং শন্দোক্লকপা থিংনবা অমসুং টেরোরিজম অমসুং এক্সট্রিমিজম থোক্লকহল্লিবা মরমশিং অমসুং ফিভমশিং লৌথোক্লবা পান্দমদা তেংবাঙনবা কনখৎহন্নবগী লম্বী খন্নগনি।

ইন্দিয়ানা পাকিস্থানবু মখোয়গী লৈবাক মনুংদা টেরোরিষ্টশিং লৈহল্লি হায়বগীদমক থবক চথনবা ইন্টর্নেস্নেল ফোরমদা তকশিন্দুনা লাক্লিবনি। হৌজিক এস সি ও প্লেটফোর্মদা ন্যু দিল্লিনা মদুগী দিমান্দ অদু ইস্লামাবাদকী মথক্তা কয়াম কন্না শাফু পীদুনা তকশিনবা ঙমগদৌরিবনো য়েংবা তারি।

য়ু এন পিস্কিপিং মিসনশিংদা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্থানগী আর্মিশিংনা পূন্না থবক তৌবা তারবসু মিলিটরি এক্সর্সাইস অমদা লৈবাক অনীমক পূন্না শরুক য়াবা হায়বসি ইন্দিপেন্দেন্স মতুংদা মসিনা অহানবা ওইগদৌরি হায়না মিলিটরি ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্থান কুমজা ২০০৫ দা গ্রুপ্পিং অসিগী ওবজার্ভর ওইনা য়াওবা হৌখি অমসুং মখোয় হৌখিবা চহীদা ব্লোক অসিগী ফুল মেম্বরশিং ওইনা মিং চনখি।

নোর্থ অতলান্টিক ট্রিটি ওর্গনাইজেসন হায়বা মিলিটরি এলাইয়েন্স অসিগী মায়োক্তা অরুম্বা খল অমা পীনবা ওইনা উরিবা সাংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এস সি ও) না হৌজিক খ্বাইদগী চাওবা ট্রান্সরিজনেল ইন্টর্নেস্নেল ওর্গনাইজেসনশিংগী মনুংদা অমা ওইরকখ্রে। ওর্গনাইজেসন অসিনা হৌজিক কোনশিল্লিবসি আর্ক্টিক ওসিনদগী ইন্দিয়ান ওসিন ফাওবা অদুগা পেসিফিক ওসিনদগী বেলটিক সি ফাওবদা শন্দোক্তুনা লৈরিবা ৱার্ল্ড পোপুলেসনগী চাদা ৪৪ রোমনি। এস সি ও গী পান্দমদি রিজন অসিদা পীষ্ট, ষ্টেবিলিটি অমসুং সেক্যুরিটি লেংদনা থম্বনি।

ওর্গনাইজেসন অসিদা ইন্দিয়ানা মেম্বর অমা ওইনা চঙখিবদু রসিয়ানা কন্না শৌগৎলি অদুগা পাকিস্থানবুনা চিনানা শৌগৎখি।

# গুৱাহাটিদা অসামগী এম এল এ ১ গী বেঙ্ক একাউন্টতগী লুপা লাক্ষ ১৪ ইন্টর্নেট বেঙ্কিংগী খুথাংদা হুরান্দুনা লৌথোকখ্রে

***গুৱাহাটি, জুলাই ১৫ ঃ***
অসামগী এম এল এ অমা গুৱাহাটিদা লৈবা মহাক্কী এস বি আই বেঙ্ক একাউন্টতগী ফৎতবা মীওইশিংনা লুপা লাক্ষ ১৪ হেনবগী শেনফম লুট তৌখিবগা লোয়ননা মহাকসু সাইভর ক্রাইমগী ভিক্টিম অমা ওইখ্রে।

বি জে পি না লুচিংবা অসাম গভর্ণমেন্টতা শরুক য়ারিবা চুঙশিন্নবা পার্টি অসোম গনা পরিষদ (এ জি পি) লেজিসলেতর উটপল দত্তগী দিস্পুরদা লৈবা এস বি আই একাউন্টদগী শেনফম অদু মাঙখিবনি।

লক্ষিপুর এসেমব্লিগী এম এল এ অদুগী নুপীনা চেক্কী খুথাংদা পৈশা কায়থোক্লবা বেঙ্ক অদুদা চৎলুবদা অঙকপা থৌদোক অসি খঙলকখিবনি। মদুগী পাউ হেক পীরকপগা এম এল এ অদুনা এস বি আই ব্রাঞ্চ অদুদা খুদক্তা চৎখি অমসুং মহাক্কী রেজিষ্টার মোবাইল নম্বর অদু মহাক খঙদনা মে ১৯ দা হোংদোকখ্রে হায়বা খঙলকখি।

থৌদোক অসিগী মতুংদা অসাম এম এল এ অদুনা দিস্পুর পুলিস ষ্টেসন্দা এফ আই আর অমা থাঙ্গৎখি। এস বি আই দিস্পুরদা লৈবা মহাক্কী একাউন্ট নম্বর ১০৮২১৬৬৩২৭৮ অদু মে ১৯ দা হেক্কিং তৌখ্রে হায়না এফ আই আর অদুদা উটপল দত্তনা হায়খি।

একাউন্ট অদুদা লিঙ্ক তৌবা ঐগী ফোন নম্বর মে ১৯ দা হোংদোকখিরগ্নে অমসুং ঐ খঙদনা অমসুং অয়াবা য়াওদনা ইন্টর্নেট বেঙ্কিংসু এক্টিভেট তৌরগ্নে। মদুগা মরী লৈনবা দোকুমেন্টশিং পীয়ু হায়বদা বেঙ্ক ওতোরিটিজ অদুনা মদুগী ঈ-পাউ পীবা ঙমদ্রে হায়না এ জি পি এম এল এ অদুনা এফ আর অদুদা হায়খি।

ঐগী নুপীনা লুপা ৪৫,০০০ লৌথোক্লবা বেঙ্ক অদুদা চৎখিবদা বেঙ্ক ওথোরিটিজনা ঐগী একাউন্টতা শেনফম অদুগী মতীক চাবা শেন লৈত্রে হায়রকখি। বেঙ্ক দোকুমেন্টশিং ভেরিফাইট তৌবদা ঐগী একাউন্টতা হাপ্লিবা রেজিষ্টার মোবাইল নম্বর অদু থা অনীগী মমাঙদা হোংদোকখ্রে হায়বা ঐখোয়না খঙলকখি হায়না উটপল দত্তনা হায়খি।

ক্রাইম অসিদা বেঙ্ক এমপ্লোইয়ি খরা চৈন্নে অমসুং ৱাথোক অসিগী মতাংদা এস বি আই ব্রাঞ্চ অসিগী বেঙ্ক ওথোরিটিজনা মঙোন্দা করিগুম্বা মওং অমত্তা মতেং পাংদে হায়না অসাম এম এল এ অদুনা হায়খি। হৌজিক পুলিসনা হীরম অসিদা থিজিনবগী থবক চখরি।

# ম্যান্মার জেদ মাইন এক্সিদেন্টতা য়ামদ্রবদা ১৫ শিখ্রে

***য়াঙ্গোন, জুলাই ১৫ ঃ***
অৱাংথংবা ম্যান্মারগী জেদ মাইনিং রিজনদা লৈবা জেদ মাইন অমদা লৈবাক নীংখাইরকপগী থৌদোক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৫ শিখ্রে অমসুং ৩০ শোকখ্রে।

কাচিন ষ্টেটকী হপাকান্ট তাউনসিপকী পুলিস ওফিসার অমনা ঙসি নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকপদা লোনেখিন খুন মনাক্তা লৈবা খুদোংথিবা থৌদোক থোকপা মফম অদুদগী হকচাং ১৫ পুখৎলক্লে হায়খি। অদুবু অতৈ অহেনবা অশিবা হকচাংশিং লৈরম্বা য়াই হায়না মখা তানা থিবা হুম্বগী থবক চখরি।

অশিবা অমসুং অশোকপা মীওইশিং থিরিবশিং অদুগী থবক্তা নোং কন্না চুবনা অপনবা অমসুং খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

লমদম অদুগী পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর অমনা কাচিন ষ্টেটকী কোনুং মিটচিনাদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা অশোকপা মীওই ১৮ উরক্লে হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।



ঙরাং থাংজ নুমিত্তা থোকখিবা খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩০ শোকখি হায়না মহাক্লা থাজবা ফোঙদোক্লকখি।

ম্যান্মারদা জেদ মাইনিংগী থবক নীংথিজনা গভর্ণমেন্টনা রিগুলেট তৌদবা অমসুং জেদকী লেমহৌবা মচেৎ মকায়শিং খোমজিনবগী থবক য়াম্না খুদোংথিবা ওইবা মরম্না অসিগুম্বা খুদোংথিবা থৌদোকশিং অসি তাংনা থোকপা নত্তে। হৌজিক থৌদোক অসিদা থিবা খঙদনা লৈরিবা মীগী মশীং পাবদা লুরি মরমদি অসুম্না জেদকী লেমহৌবা মচেৎ মকায়শিং থিদুনা লৌরিবা মীওইশিং অয়াম্বা অতোপ্পা লমদমদগী লাকপা রেজিষ্টার তৌদবা মাইগ্রেন্টশিংনি।

# গ্রীনলেন্দ খুঙ্গং নকশিন্না অচৌবা উনপাক কিন্থদুনা নাম্থরকপদা সুনামি থোক্লগদ্রা হায়না মিপাইনখ্রে



***ইন্নারসুইট, জুলাই ১৫ ঃ***
গ্রীনলেন্দগী নোংচুপ থংবা সমুদ্র তোর্ব্বান্দা লৈবা অপীকপা খুন অমগী মনাক নকশিন্না চীং অমমুক চাওবা অচৌবা উনপাক অমনা কিন্থদুনা নাম্থরকপদা মদুনা সুনামি অমা থোকপগা লোয়ননা খুন অদু চেন্থখ্রগদ্রা হায়না মিপাইবা পোক্লরে।

উনপাক অদু য়ূম কয়ামুক্তগী হেন্না ৱাংই। অদুবু মদু লৈখাদা লৈতাদুনা লৈখ্রে অমসুং ঙরাং নুমিদাং মখা তানা নাম্থরকখিদ্রে হায়না ষ্টেট ব্রোদকাষ্টর কে এন আর না হায়খি।

সমুদ্র তোর্ব্বান অদুগা নক্লবদা লৈবা দেঞ্জর জোন অমদগী মীয়ামবু শাফগদবা মফমদা হোংদোকহল্লকখ্রে অমসুং মখোয়বু য়াম্না অঙম্বা মফম অমদা থমখ্রে হায়না গ্রীনলেন্দ পুলিস ৱাঙাংলোয় অমনা এজেন্সিদা হায়খি।

খুনগী মীয়াম মরক্তা থোক্লিবা নুংঙাইতবা অদু ঐখোয়না খঙঙি। ঐখোয়না অচৌবা উনপাকশিং থেংনদুনা লাক্লে অদুবু অশুক চাওবা অসিগুম্বা অসিদি ঐখোয়না মমাঙদা অমুক্তা থেংনখিদ্রি হায়না ইন্নারসুইটতা ভিলেজ কাউন্সিলগী মেম্বর অমা ওইরিবা সুসান্না এলিয়াসেননা কে এন আর দা হায়খি।

হৌজিক গভর্ণমেন্ট অমসুং পুলিসনা য়াম্না চেকশিন্না মিৎশিং-নাশিংনা লৈরি। চাওরাক্লা মীওই ১৭০ রোম খুন্দারিবা অথাপ্পা খুঙ্গং অসিগী মনাক নকশিন্না সর্চ-এন্দ-রেস্ক্যু (এস এ আর) হেলিকোপ্টর অমা পাইশিনখ্রে।

হৌখিবা কালেন থাদা অৱাং নোংচুপ থংবা গ্রীনলেন্দদা সমুদ্রগী ঈথৎশিংনা খুন অমা থুমজিনখিবদগী মীওই মরি শিবগী থৌদোক অমসু থোকখি।

# লানদা শিবা খূৎশিন্নবা ৱারী শান্নখ্রে

***সিওল, জুলাই ১৫ ঃ***
সাউথ কোরিয়া অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী লোন্নবা ঙমখৈদা ঙসি নোংমাইজিং নুমিত্তা কোরিয়া লান মনুংদা শিখিবা আমেরিকান লান্মীশিংগী লেমহৌবা হকচাং-শরুকশিং আমেরিকাদা খূৎশিন্নবগী মতাংদা খন্নবা নোর্থ কোরিয়া অমসুং য়ু এস মিলিটরি ওফিসারশিং উন্নখ্রে।

কুমজা ১৯৫০-৫৩ গী কোরিয়া লান মনুং অদুদা মাঙখ্রবা য়ু এস লান্মীশিংগী হকচাংগী শরুকশিং অমুক হন্না মরৈবাক্তা পীরকপা হায়বসি হৌখিবা থাদা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উন অমসুং য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রুম্পকা অনীগী ইতিহাসিক ওইরবা সমিটতা সহি তৌনখিবা দিল অমগী শরুকনি।

খ্বাইদগী অনৌবা ৱারী শান্নবা অসি নোর্থ অমসুং সাউথকী লোন্নবা ঙমখৈ দিমিলিতরাইজ জোন পানমুনজোমদা ঙসি নোংমাইজিং নুমিত্তগী হৌখ্রে হায়না সাউথ কোরিয়াগী য়োহাপ ন্যুজ এজেন্সিনা সিওল ওফিসিয়েল অমগী ৱাফম পল্লদুনা হায়খি।

হৌখিবা চয়োল খরদগী হৌনা ঙমখৈ অদুগী খা থংবা নাকন্দা লৈখিদ্রবা আমেরিকান লান্মীশিংগী রিমেনশিং অদু পুনবা উনা শাবা কূ দজন কয়া পুরকপা উখি।

নোর্থ কোরিয়া অমসুং য়ু এস এ গী মরক্তা শিংখ্রবা য়ু এস লান্মীশিংগী লেমহৌবা রিমেনশিং অদু আমেরিকাদগী অমুক হন্না পুনবগী ৱারী শান্নবা চখবা হৌখ্রে হায়বা খঙই হায়না ঐখোয়না মমিং মথা ফোঙদোক্তবা ওফিসিয়েল ওইবা ৱাফম পল্লদুনা পাউগী এজেন্সি অদুনা হায়খি।

য়ু এস আর্মি প্লেটশিং থেৎপা অমসুং মিলিটরিনা কন্না ঙাক্তুনা থল্লিবা ঙমখৈ অদু তম্না আমেরিকানা ওফিসিয়েলশিং পুবনি থাজবা গারী কয়ামরুম টি ভি ন্যুজ ফুটেজনা উৎখি।

# আফগনিষ্টানদা মীচম শিবগী চাং ৱাংখ্রে ঃ য়ু এন

***য়ু এন, জুলাই ১৫ ঃ***
লাননা চাহৎলবা আফগনিষ্টানদা চৎলিবা চহী ২০১৮ গী অহানবা থা তরুক্তা মীচম শিবগী মশীং রেকোর্দ য়ৌনা ৱাংখ্রে হায়না ঙসি নোংমাইজিং নুমিত্তা থাদোক্লকখিবা য়ু এন গী মশীংনা উৎলি। মী শিবগী মরু ওইবা মরমনা মিলিটেন্ট এটেকশিং অমসুং সুইসাইদ বোমশিংনি হায়রি।

চহী অসিগী অহানবা চহী তঙ্খাই অসিদা পূন্না মীচম ১,৬৯২ শিরিবা অসি মমাঙগী চহীদগী চাদা ১ হেল্লে অমসুং কুমজা ২০০৯ দা য়ুনাইটেদ নেসন্স এসিষ্টেন্স মিসন ইন আফগনিষ্টান (য়ু এন এ এম এ) না রেকোর্দ থম্বা হৌখিবা মতুংদগী হায়রিবা মতম অসিগীদমক খ্বাইদগী মশীং য়াম্বনি।

আফগনিষ্টানগী লান অসিদা শোকপগী চাংদি হৌখিবা চহীগী চপ মান্নবা মতমদা শোকখিবগী চাদা ৫ হন্থরগা মীওই ৩,৪৩০ শোকখি।

আফগান সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মমাঙদা অমুক্তা তৌখিদ্রিবা মওংদা সিজফাইয়ার অমা লাওথোকখিবা অমসুং তালিবাননসু সিজফাইয়ার লাওথোকখিবা তারবসু মী শিবগী মশীং অদুম্মক ৱাংনা লৈরি হায়না য়ু এন এ এম এ না হায়খি।

মিলিটেন্ট কয়ামরুমনা চথরকখিবা সুইসাইদ বোমশিং অমসুং কমপ্লেক্স ওইবা এটেকশিংনা মীওই ১,৪১৩ অশি-অনা থোকহনখি। মসিগী মনুংদা মীওই ৪২৭ শিখি অদুগা ৯৮৬ শোকখি। মসিসু মমাঙগী চহীদগী চাদা ২২ হেল্লে।

মিলিটেন্টশিংগী মথক্তা আমেরিকানা নোংথক্তগী এটেক চথবা হেনগৎহনবা য়াওগদবা অনৌবা সাউথ এসিয়া ষ্ট্রেতেজি অমা য়ু এস প্রসিন্টে ট্রম্পনা লাওথোকখিবগী চপ চানা চহী অমগী মতুংদা য়ু এন গী অনৌবা রিপোর্ট অসি থোক্লকখিবনি।

নোংথক্তগী বোম এটেক চথবা হেন্না কনশিল্লকখিবা অদুনা মীচম শিবগী মশীং হেনগৎলক্লি। চহী অসিগী অহানবা তঙ্খাইদা মীওই ৩৫৩ অশি-অনা থোকখি। হায়রিবা অশোক-অপন, অশি-অনা থোক্লিবা মীচমশিংগী তঙ্খাই অমরোমদি আফগান এয়ারফোর্সনা চথবা এটেকশিংনা থোকহনবনি।

ইলেক্সনগা মরী লৈনবা হিংশাগী থৌদোকশিংদসু মীচম কয়ামরুম অশি-অনা নংখি। ওক্টোবর ২০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লেজিসলেটিভ ইলেক্সন নকশিল্লকপগা লোয়ননা ফিভম অসি হেন্না শাথিরকপা য়ারি হায়রি।

# সিরিয়া রিবেলশিংনা মীয়ামগী ঈহৌগী পোক্নফম দারা সিটি থাদোকপা হৌখ্রে

***দারা, জুলাই ১৫ ঃ***
সিরিয়া রিবেলশিং অমসুং মখোয়গী মরী মতাশিংনা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী ঈহৌ খোঙজংগী পোক্নফম ওইরিবা খা থংবা সিটি দারাবু গভর্ণমেন্টকী মখাদা অমুক হন্না থম্নবগী দিল অমগী মখাদা ঙসি নোংমাইজিং নুমিত্তগী হৌনা সিটি অসি থাদোকপা হৌখ্রে।

রসিয়ানা নোংথক্তগী রিবেলশিংগী লৈফমশিংদা এটেক চথরকপগা লোয়ননা কুনৈত্রা কৌবা থংনবা প্রোভিন্সতা রসিয়ানা শৌগৎপা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা খুমাঙ চাওশিল্লকখিবগা লোয়ননা য়াম্না সিম্বোলিক ওইবা মওংগী সিটি অদু খূৎশিন্নবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

মে থাদা লৈবাক অসিগী কোনুং দমাস্কস লৌশিনবা ঙল্লবা তুংদা প্রসিদেন্ট বাসর অল-অসাদনা চহী ৭ রোমগী মমাঙদা মহাক্কী লৈঙাক্কী মায়োক্তা অহানবা খোঙজং হৌরকখিবা খা থংবদা লৈরিবা রিবেলশিংদা মাগী পূক্নীং চঙশিল্লকখি।

চয়োল অহুগ্লোম চুপ্না অকনবা এটেক চখদুনা অকনবা শাফু পীদুনা রিবেলশিং অদুবু দারা প্রোভিন্স খূৎশিন্নবা থা অসিগী অঙনবদা রসিয়াগা য়ান্নবা পুরকখিবনি। মসি চয়োল অসিদা প্রোভিন্স অসিগী কোনুং খূৎশিন্নবগী অসিগুম্বা মান্নবা দিল অমা য়ান্নবা ঙমদ্রিঙৈগী মমাঙদনি।

হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা চহী কয়ামরুমগী মনুংদা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা অহানবা ওইনা নেস্নেল ফ্লেগ য়ুংখৎনবা সিটি অসিগী রিবেলনা পায়বা খা থংবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা চঙশিল্লকখ্রবা গভর্ণমেন্ট ফোসশিংদা রিবেলশিংনা অচৌবা খূৎশু-খূৎলাইশিং অমসুং অতৈ ইকুইপমেন্টশিং খূৎশিন্নখ্রবনি।

ঙসি নোংমাইজিং নুমিত্তা গভর্ণমেন্ট কন্ট্রোল মখাদা লৈবা পামদবা রিবেলশিং অমসুং মীচমশিংবু সিরিয়াগী খা নোংচুপ থংবদা ওপোজিসন্না পায়দুনা লৈবা ইদলিব ফাওবা অশোয়-অঙাম থোকহন্দনা চৎনবগী অয়াবা পীখি।

দারা সিটি থাদোক্তুনা চৎখিনবগীদমক রিবেল ফাইটর চা কয়া অমসুং মখোয়গী মরী-মতাশিংনা মফি-মরোলগা লোয়ননা সুইটকেসশিং পুদুনা দারা সিটিদা বস ১৫ রোমদা তোংখৎখি হায়না এ এফ পি গী করেস্পোন্দেন্ট অমনা হায়রি।

সনা-সুদোকু -১২২৮ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 2 | 3 | 6 | 1 | 7 | 8 | 9 | 5 |
| 8 | 1 | 6 | 3 | 5 | 9 | 2 | 4 | 7 |
| 7 | 5 | 9 | 4 | 2 | 8 | 1 | 3 | 6 |
| 2 | 6 | 7 | 9 | 8 | 1 | 4 | 5 | 3 |
| 9 | 8 | 4 | 2 | 3 | 5 | 6 | 7 | 1 |
| 1 | 3 | 5 | 7 | 6 | 4 | 9 | 2 | 8 |
| 6 | 7 | 8 | 5 | 9 | 2 | 3 | 1 | 4 |
| 5 | 9 | 1 | 8 | 4 | 3 | 7 | 6 | 2 |
| 3 | 4 | 2 | 1 | 7 | 6 | 5 | 8 | 9 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1229**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 9 | 6 | | | 7 | 2 | |
| | | | | | | | | 1 |
| | | | | | 5 | | 6 | |
| | | 2 | 9 | 5 | | | 7 | |
| | | | 3 | 8 | | | | |
| 5 | | | | | | | 1 | |
| 6 | 3 | | | | 4 | | | 7 |
| | | | | | 6 | 9 | | 2 |
| | 2 | 1 | 5 | | | | | 8 |